# রাফেল দিলগী মায়োক্তা কংগ্রেস পার্টিনা পোষ্টর কেম্পেইন চঙশিনবা হৌখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৮ ঃ বিজেপিনা লুচিংবা এন দি এ সরকারগী খ্বাইদগী চাউবা স্কাম অমা ওইরিবা রাফেল দিলগী মায়োক্তা চঙশিনবা পোষ্টর কেম্পেইন ঙসি মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাউকিপ হৌদোকখ্রে।

পোষ্টর কেম্পেইন অদু হৌদোকপগা মরী লৈননা টি এন হাউকিপনা পাউমীশিংদা হায়, দিফেন্স পর্চেজ প্রোসিদ্যুর ঙাক্তবগা লোয়ননা ওফসেট হায়দুনা মোদি গভর্ণমেন্ট অসিনা দিফেন্স নোলেজ সু লৈতবা অনিল অম্বানিগী কম্পনিদা লুপা ক্রোর লিশিং ৩০ পীথোক্লগা দিল্ট তৌহনখি।

অসিগুম্বা থবক অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পব্লিক অন্দরতেকিং অমা ওইরিবা হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদনচিংবা দিফেন্সকী লমদা খঙলবা পব্লিক অন্দরতেকিংশিংদা মসিগী দিল্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীদে।

কোর্পোরেট হাউসতা পিশিল্লগা ইন্দিয়াগী দিফেন্সকী সেক্যুরিতি অসিদা প্রোব্লেম থোকহল্লে। নরেন্দ্র মোদিগী ইন্টরেষ্টতা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা শিংনবা ৱাথোক লাকপা য়াই হায়দুনা এ আই সি সিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপগা লোয়ননা ষ্টেটকী থাক্তা প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিশিং, দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কম্মিতিশিং অমসুং ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিশিংগী থাক্তা পুথোক্তুনা মসিগী দিল অসিগী মতাংদা অরানবা তৌরিবা ময়াম অসি মীয়ামদা খঙহন্নবা হায়রকপদগী ঙসিগী প্রোটেষ্ট অসি তৌবনি হায়খি। প্রোটেষ্ট অসি ঙসিদগী হৌরগা লেপ্তনা মখা চত্থখিগনি হায়খি।

মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট এম দি আমির হুসেননা হায়, রাফেল দিল স্কামগী মতাংদা ঙসিদগী পোষ্টর কেম্পেইন অসি য়ুথ কংগ্রেসকী ভোলুন্টিয়ারশিংনসু পাঙথোক্লি।

ফাইটর জেদ লৈবগী খ্বাইদগী চাউরবা স্কাম অমা ওইরিবা রাফেল স্কাম অসি এন দি এ গভর্ণমেন্ট মতমদা চত্থরে। হান্না য়ু পি এ গভর্ণমেন্ট লৈরিঙৈগী মতমদা দিল অসি তৌরম্বনি। লোয়ননা এয়ারক্রাফ্ট অমদা লুপা ক্রোর ৫২৬ দিল তৌরম্বা অদু হৌজিক্লা লুপা ক্রোর ১১৪০গী চাংদা খেন্ননা এয়ারক্রাফ্ট অমদা লুপা ক্রোর ১৬৭০ পীদুনা লৈনবা দিল তৌরি।

ঙসিদি লৈবাক অসিগী য়াল্লবা শেনফম অমা নরেন্দ্র মোদিগী গভর্ণমেন্ট অসিনা লুট তৌরগা লৈরি। মরম অসিনা ঙসি হৌদোকখিবা পোষ্টর কেম্পেইন অসি মফম খুদিংমক্তা চত্থদুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা য়ুথ কংগ্রেসনা চংশিনলকপনি হায়খি।

# বি এস এফনা পায়খৎলিবা থবকশিং খন্নখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৮ ঃ বি এস এফনা মসিগী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ৫৪ শুবা বি এস এফ লোক্তাক প্রোজেক্টনা শীন্দুনা বট্টালিয়ন অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলরশিং, ৱার্দ মেম্বরশিং, লৱার অমসুং অপ্পর কোম কৈরাপ, সাদু, কে ঐচ আইমোল, লৌচুলবুং অমসুং তোকপা খুলগী চীফ অমসুং ভিলেজ ওঠৌরিতিগী মীওইশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৫৪ শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী কমান্দেন্ট সুনিল সিংহনা বি এস এফনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্না নৈন্নখি হায়রি।

# হাইপৌ জাদোনাংনা পামজরম্বা থবকশিং পাঙথোকপনা...

ঙরাংগী মখা...

কুমজা ১৯০৫তা তমেংলোংগী কম্বীরোন খূলদা থ্যুদাই অমসুং তবোনলীয়ু অনীগী ২শুবা মপারী ওইনা জাদোনং ফঙখিবনি। লাইবক থিবদি মণিপুর ইমাগী তাংলবা মপারী অসিগী পোকপগী নুমিৎতী ঙসি ফাওবা তংদাংবা অমা খঙবা ঙমদনা লৈরি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ৱাখল লৌশিং চঙখোনবা, লাইনিং লাইশোনদা চেৎনা থাজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি। জাদোনংগী ইনখৎলকপা পুন্সিগী তাঙ্কক অসিদি ফুরুপকী মচিন মনাওশিংগী মরক্তা অপুনবা পাঙ্গল শাগৎপা ঙমদদুনা মচোই মচোই লৈবা, ফুরুপচাশিংনা মখোয়গী ফুরুপ অমা ওইবগী লৈফম থোকপা অশেংবা মশক করিনো হায়বা খঙবা ঙমজদবগী শক্তমনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী থৌশিলনা মণিপুরগী চীং লম পূম্নমক্তা য়েলহৌ লাইনিং মুখৎতুনা খৃষ্টান লাইনিংনা কুপশিল্লকপদা নত্তনা মীওৎ মীনৈ কয়া লেপ্তনা চত্থরক্লি। অহানবা মালেমগী লাঞ্জাওদা থবক শুহন্নবগীদমক চীংগী ইচিল ইনাও কয়া বৃটিশনা য়ুরোপ্তা পুখি। বৃটিস ওফিসিয়েলশিং চীংদা লাকপদা মখোয়গী অৰৈবা মীনাইগুম্না মমল পীদুনা পোদুনা পুহনবতা নত্তনা অতৈ পোৎ–চৈশিংসু পুহল্লি। অসিদা নত্তনা য়ারেক চাকথাক পীবা, মমল পীদুনা নমদুনা থবক শুহনবা অমদি য়ুমথোঙ খূদিংগী চহীগী হাউস টেক্স লূপা ৩ থিহনবনচিংবা মীওইবগী চৎনবীগী ৱাংমদা নম্ফুগী থৌওং কয়া লেপ্তনা চত্থরক্লম্মী হায়নসু মখা তারি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লোইলমগী মীওৎ মীনৈ অসিদগী ঙাকথোক্তুনা মশাগী শক্তম ঙাক্লা নীংতম্লা হিঙ্গে হায়রবদি মরমদমগী লৈমাইদগী বৃটিশপু তান্থোক্লবা মতমদতা ওইথোক্কনি হায়বসি মপুংক্লিংদা চেৎনা থাজবা থমদুনা খোঙথাং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক জাদোনাংনা অচেৎপা ফিরেপ লৌখি। অহানবা ওইনা মহাক্লা মাগী ফুরুপচা মশেলগী মরক্তা খাইবুং তান্নবা থাদোকহন্দুনা অমত্তা ওইবগী লিংজেল অমসুং শক্তম শাগৎলম্মী। মহাক্কী মতমদুগী খুন্নাইদুনা লৈরম্লিবা নাৎ, চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোনদা য়াওরিবা অমনবা কান্নদবা মচাকশিং লৌথোক্তুনা ময়েক শেংহল্লম্মী। জাদোনাংনা জেলিয়াংরোং মীয়ামদা ‘বৃটিশশিংদি লমদম অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রগদবনি, অদুগা নীংতম্বা ইরৈবাক অমা লৈরগনি হায়রম্মী। মহাক্কী থবকশিং অসিনা মতমদুগী বৃটিশ লৈঙাক্তদি অচৌবা চৈফু অমা ওইনা থোকখি। অফঙবা পাম্বৈনা মহাকপু ফানবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈখি। অহানবা ওইনা জাদোনাংবু মতমদুগী নোর্থ ৱেষ্ট সব দিভিজন, তমেংলোংগী এসদিও, এসজে দুনকেননা ১৯২৮গী দিসেম্বরদা ফাখি। অদুবু মহাক্কী মথক্তা চপ চাবা অকক্লবা মরাল অমত্তা শীবা ঙমদবদগী জাদোনাংবু বৃটিশনা ফানিংলবসু ফানবগী পাম্বৈ অমত্তা লৈতদুনা থাদোকখি। অদুবু বৃটিশনা মহাকপু ফানবা হোৎনবা খুজিল থৌরাংদি লেপ্তনা চত্থখি। মদুগী মহৈ ওইনা ১৯৩০গী মার্চতা খুলগী নামুংবগী চৎনবী থুগাইদুনা কম্বীরোনদা চঙলুবা ক্লা মনা লল্লোনবা মীতৈ ৪ হাৎখিববু জাদোনাংনা ইনশিন্দুনা পাঙথোকখিবনি হায়না লান্না মরাল শীজিন্দুনা ১৯২৮গী ফেব্রুৱারী ১৯দা কছারগী বিনাকন্দিদগী জাদোনংবু বৃটিশনা ফাখি। মহাকপু মালেমগী ওইবা সিভিলাইজেসনগী ৱায়েল কাংলোনগী চৎনবী মতুং ইন্না মশা কঞ্জনবগী খুদোংচাবা পূম্নমক ফঙহনফম থোকপদু ফঙহন্দুনা মহাকপু নমদুনা হাৎতবা য়াদে হায়বগী অচৌবা শারৌ লাং অমগী মখাদা থৌদোক্তুদা মহাক্লা লোয়ননা মরাল শীরিবা অতৈ মীওইশিংদু মখোয়গী মরাল কোকপীগনি হায়না থাজহল্লগা মহাক্কী মায়োক্তা ৱারোল পীহন্দুনা জাদোনাংবু শিবগী চৈরাক পীখি অমসুং ১৯৩১গী আগষ্ট ২৯ থাংজনুমিৎতা হৌজিক্কী ইম্ফাল সেন্ট্রেল জেলগী মনিং নম্বুল তুরেল মপানদা মহাকপু থৌরি য়ান্দুনা হাৎখি। অদুম ওইনমক জাদোনাং হাৎলগা জেলিয়াংরোং ইহৌ লোইশিল্লগনি হায়না বৃটিশনা খঞ্জখিবা অদুগী ওন্না তৈনবদা লাকখি। জাদোনাংনা মরমদমগীদমক থৱাই কৎখিবা অসিনা নীংতম্ববু ইখোঙ লাংজবা মল্লবা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা নীংতম্বগী লম্বী লাকপা লমজিং মৈরা ওইদুনা মশিং য়াল্লবা মরমদমগী মীয়াম্না মহাক্কী ইহৌ অসিদা হেন্না হেন্না শরুক য়ারকখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**লমায় ১ গী মখা**

# মণিপুরগী ইশুশিং খন্নবা সেপ্তেম্বর ২২ দা মীয়ামগী...

লমদম অসিগী ওইবা ইশুশিং ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট ওইরো, সিতিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ওইরো য়ুনিভর্সিটিগী প্রোব্লেম ওইরো বোর্দর পীল্লরগী ৱাথোক ওইরো হৌজিক ইশু অমত্তা মপুং ফানা লোইশিন্দনা লৈরি।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২২দা ষ্টেটকী থাক্তা কনভেন্সন অমা পাঙথোক্তুনা ইশুশিং অসি মমুৎ তানা খন্নবা হোৎনরি। ইশুশিং অসি চপ চাবা মায়ওন অমদা লাকহন্নবা হোৎনরি।

পোলিটিকেল পার্টি ময়াম পুনশিল্লিবা অসি মপুং ওইনা রাজনিতিগী অপুনবা অদু নত্তে, ৱাখল মান্নবা পার্টি ময়াম অসিনা পুন্না ইশুশিং অসি থেংননবা খোঙফম অদুদা লেপমিন্নবনি।

হৌজিক লমদম অসিদা থোক্লিবা ইশুশিং অসি করিনো হায়বদু মীয়াম্না মমুৎ তানা খঙহনবা দরকার লৈ। ইশুশিং অসি খন্নবা গভর্ণমেন্টনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অপুনবা মীফম অমা কৌবা ঙম্লক্তবদগী অশোয়বা কয়া লাকপদুনা মরম ওইরগা কম্মিতি ওফ পোলিটিকেল পার্টি অসি শেমদুনা ইশুশিং অসি পুন্না থেংনননবা খোঙথাং অদু লৌরকপনি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী মীয়াম্বু খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা প্রজাশিংবু মীনমদুনা থল্লি। খূৎলায় পায়বা লালহৌবা লূপ অমা থেম্নবা হোৎনবদা মখোয়গী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌনবা হোৎনবদা ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবা ৱাফমশিং অসি অরোনবা দোক্যুমেন্ট ওইনা মীয়াম খঙহন্দনা থম্বা অসিনা সেন্তরনা প্রজাশিংবু মীনমবীরি হায়খি।

ফুরুপ অমগী ইন্টরেষ্টতা মীওই খুজোক খরনা অরানবা পাম্বৈনা নমদুনা শেল খায়বা, প্রজাশিং ৱাহনবা নোংমৈ পায়বা খরগী ইন্টরেষ্টতা প্রজাশিংবু অসুক চাউনা মীনম্বা অমুক্তা য়াওখিদ্রি।

হৌজিক লমদম অসিগী মীয়ামগী পূক্লিংদা মীপায়বা লৈরিবা অসি লমদম অসিদা আর্টিকল ৩৭১ (এ) অসি চৎনহন্দ্রবসু ৬ শুবা সেদ্যুল অসি শেমদোক্লগা চৎনহল্লকপা য়াবগী অকিবা প্রজাশিংদা ফাওই। গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা তৌগদবা লৈরবা থবক অমা মীয়ামদা মসি তৌগনি হায়না হায়দোকপা দরকার লৈ।

বি জে পিগী মচিন চৎপশিংনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্তা করিসু তৌবা ঙম্লরোই হায়না লাওরবসু মণিপুরগী ইন্টিগ্রিতিদা শিংনরকপা লেপত্রি। মসিদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অসি করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নফম থোকই হায়খি।

মমাঙদা এন দি এ না সাসন তৌবা মতমদা মণিপুর প্রজাশিংগী থাজবা মাঙহনখ্রে। ইশুশিং অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা থেংনবা চঙই হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা সি পি আইগী লুচিংবা ডা. এম নরনা হায়, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অপুনবা মফম অমা শেল্লিবা অসিদি লমদম অসিগী ইশুশিং অসি থেংনমিন্ননবনি মসিদা মীখলগা মরী লৈনদে।

সেপ্তেম্বর ২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট কনভেন্সন অসিদা পার্টি শিংগী নেসনেল লিদরশিংসু শরুক য়াগনি। এসেমব্লি মীফম কৌরগা ঙাইহাক লৈতনা মতম য়ৈথোকপা অসিগী মতাংদা মীয়াম নৈনবা মতম ওইরে।

পাঙথোক্কদৌরিবা কনভেন্সন অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংদা নত্তনা ইন্টরেষ্ট লৈবা মীওইশিংসু শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়খি।

এম য়ুগী ৱাথোক অসি মীয়াম্না লোইশিনবা মাল্লবসু হৌজিক লোইশিন্দে হায়না লৌবা চঙই। করিগুম্বা পান্দেগুম্বা মীওই অমা অমুক য়ুনিভর্সিটি অসিদা থাজিল্লক্লবদি করি তৌগনি। মসি এম য়ুদা নত্তনা য়ুনিভর্সিটি অমসুং রিসার্চ ইন্সটিট্যুট কয়াদা মসি থোকখ্রবনি হায়খি।

এন ই আই দি পিনা কম্মিতি অসিদগী তোকখ্রবা মতুংদা কনভেনর ওইনা এন ই আই দি পিগী মহুত্তা বি এস পিগী এন কবিতা দেবীবু হাপখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা হান্নগী এম এল এ ডা. এন জি বিজয়সু ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা কম্মিতি অসিদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

# মীওইবা মশেল নুংশিনবদগী হেনবা অমা লৈতেঃ কে শ্যাম

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৮ ঃ মীওইবা মশেল অমগা অমগা নুংশিনবদগী হেনবা অতৈ লৈতে। ইশানা ইশাগী দায়ত্ব খঙনা থবক তৌবনা খুন্নাই অসিদা অওনবা অহোংবা পুরক্কনি হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা কংলৈ ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনায়জেসন (কেদো)গী থৌমী ওইনা লৈরম্বা লংথবাল মন্ত্রিখোং অৱাং লৈকাইদগী অরাম্বম বিকেনগী ইমুং মনুংদা কেদোগী থৌমীশিংনা খায়নরগা তুংশিনবা শেনফমদগী বিকেননা থল্লম্বা মচানুপা ১ অমসুং মচানুপী ১গী তুংলমচৎকীদমক শেলগী মতেং খূৎশিন্নবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর কে শ্যাম্না হায়, ঙসি মহাক্লা মফম অসিদা লাক্লিবা অসি অৱা অনা নংলবা ইমুং অসিগী অৱাবদা শরুক য়াবা লাকপনি।

কেদোগী থৌমীশিংনা কথোকপগা লোয়ননা লমদম অসিদা ৱার্ক কলচর শাগৎনবা হোৎনবা অমসুং য়াম্না থকশি খাসি নাইবা, মপুং ফাবা কলচর তৌবা লূপ অমা ওইনা পূক্লিং থৌগৎনবা লাকপনি।

অসিগুম্বা লূপ অমগী থৌমী অমনা লৈখিদবা অসিদা কেদোগী থৌমীশিংনা মপুং ফানা অৱাবদা মতেং পাঙনবা অসিদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু হেন্না অঙম্বা শরুক খরা হাপ্পগা খূৎশিন্নবনি।

কেদো অসি মণিপুরগী নহারোলশিংগী মরক্তা ৱার্ক কলচর শাগৎপা, দিসিপ্লিন ফোর্স অমা ওইনা লৈরিবনি। লূপ অসিগী থৌমীশিংনা ইশা ইশাগী দায়ত্ব খঙনা নুপা থোক্লা থবক তৌবা উই।

অফবা থবক তৌবদা ঐখোয়না পূক্লিং থৌগৎপা দরকার লৈ। মীওইবা ঐখোয়সি শিনফমনা শকতাকপা নত্তে। ঐখোয় ঐখোয়গী মোরেল দিসিপ্লিন অমসুং লমচৎশাজৎ অদুনা শক্তাক্কদবনি।

অসিগুম্বা থবক তৌমিন্নরিবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মতেং পাঙনদুনা অৱা অনা শরুক য়ামিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবনি। মহাক্কী মায়কৈদগীসু কেদোগুম্বা য়াম্না কলচর তৌরবা অমসুং থকসি খাসি ফজনা লৈনা থবক তৌবা লূপ অমগী থৌমীশিংনা অৱা অনা তারকপদা মহাক্লসু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা কেদোগী প্রসিদেন্ট এস মনিতোননা হায়, লৈখিদ্রবা বিকেন অসি কেদোগী অচংবা থৌমী অমা ওইনা থবক তৌরম্বনি। মহাক্লা লাইবক থিরবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্লা থল্লম্বা মচা অনীগী য়েংলগা অঙাংশিং অদুগী তুংগী লম্বীদা মতেং পাঙবা ওইনা অঙাং অমগীনা লুপা লিশিং ২০ অমসুং অতোপ্পা অমগীনা লুপা লিশিং ১৫ মখোয় মখোয়গী মিংদা চহি ১৫গী ওইনা ফিক্স দিপোজিট তৌরগনি।

হায়রিবা শেনফমশিং অসিগী মনুংদা কেদোগী থৌমীশিংনা খায়নরগা ফংলকপা অপুনবা শেনফমনা লুপা লিশিং ২৫ নি অদুগা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ১০ অমা হাপ্পীরক্তুনা অঙাংশিংগী তুংলমচৎকীদমক শেনফম খরা মতেং পাঙবিরি।

কেদোগী থৌমীশিংনা নোংমদা তাল্লকপা শেনফম অসিদগী খরদং তুংশিল্লগা চল্লাইবা কেদো বেঙ্কতগী বিকেননা হিংলিঙৈদা লৌশিনখিবা লুপা লিশিং ২০গী লোনগী শেনফম অদুসু কোকথোকপীরে হায়না ফোঙদোকখি।

লোয়ননা বিকেনগী মচানুপী অমসুং মচানুপাগী মীংদা পীবা শেনফম অদু মিনিষ্টর কে শ্যাম, কেদোগী প্রসিদেন্ট এস মনিতোন অমসুং খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী লুচিংবীশিং য়াওনা খূৎশিন্নখি।

**লমায় ১ গী মখা**

# সস্পেন্দ তৌখ্রবা ফর্টিলাইজর...

মহাক্লা মখা তানা হায়, মহাক্তি করিমত্তা লাঞ্জখিদে। মহাক্লা হার হুরান্দুনা য়েঙ্থোক্লবসু লৈতে। মীয়াম্না হার ফংনরক্ত্রগা দিপার্টমেন্টনা মহাকপু বলিগী হামেং তাহনবীবনি। থৌওংসিনা মহাক্কী সার্ভিস কেরিয়রদা শোকহল্লি অমসুং ইজ্জৎ মাঙহল্লি হায়রকখি।

অদুবু দাইরেক্টরনা হায়বদগী ঙসি অয়ুক এরোপ্লেননা মখোয় অনী ইম্ফালদগী গুৱাহাতি ফাউবা লাক্লগা গুৱাহাতিদগী জোরহাট ফাউবসু এরোপ্লেনদা লাকখি। জোরহাটতগী তেক্সি ৱায়দুনা নামরুপ তম্না চৎলি হায়রকখি।

নামরুপ্তগী হারশিংসি ট্রেনদা জিরিবাম ফাউবা পুরক্লগা মফমদুদগীনা ট্রকশিংদা হাপ্পগা অমুক ইম্ফাল তম্না পুরক্কদবনি হায়রকখি।

থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরগা মতৌ করম্না দাইরেক্টরগা হার লৌবা চৎমিন্নরিবনো হংবদা মহাক্লা হান্নদগী চৎলকপনা ফেক্তরিগা খঙনবদগী দাইরেক্টরনা চৎমিন্নরুসি হায়রকপদগী হার দরকার লৈবা লৌমীশিংগীদমক য়েংলগা লৌরুনবা চৎপনি। মহাক্কী মথক্তা লৌরক্লিবা এক্সন অসিগী মতাংদদি মহাক্লা কনামত্তদা ব্লেম তৌনিংবা লৈতে, তৌজরোই অদুবু নুংঙাইতবদি ফাউই হায়রকখি।

# মেমি হাৎপদা চেন্নবা মীওই...

এলাইজ রাজেস কোর্টতা পুথোরকখি। মদুদা ইকৌ বজারগী মশিং য়াল্লবা নুপীশিং অমদি জেএসিগী মীহুৎশিংনা কোর্টতা থোমজিল্লকপা লোয়ননা কোর্টকী কেম্পসতা নমদুনা চংনবা হোৎনরকখি। মদুদা থিংনবা হোৎনরুবা পুলিসকা থোমজিল্লকখিবা মীয়াম অকনবা মওংদা মুক্নরকখি।

মুক্নবা অদু পুং ২.৩০ চত্থখি। তুংদা কাংপোকপি পুলিসকী এসপি লাক্লগা ব্লেঙ্ক ফয়ার তৌদুনা অমদি টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপ্তুনা থোমজিল্লকখিবা মীয়াম অদু তানখায়খি। মীয়ামগী মাইকৈদগীসু পুলিস তম্না নুংনাচিংবা লংলকপদগী চাওনা ঈরাং থোকখি। অদুবু ঈরাং অদু নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবদা লোয়শিনখি।

রোহিৎ এলাইজ রাজেস কোর্টতা পুথোক্তুনা মখাতাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা মেমি মীহাৎ অসিগী আইওনা হায়জরকপগী মতুংইন্না মথং সেপ্টেম্বরগী ১ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা থম্নবা রিমান্দ পিখ্রে হায়রি।

# মীওই ১ শিবগা মরী লৈননা মীওই...

মহাক্লা লাকপা অদুদা মশাদা অকংবা লৈখোম লৈনাং তৈরকপগা লোয়ননা মখৌরিদা দাকফম অমসু তাই হায়রি।

ইমুং–মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা রোজিৎনা গ্যান মাংলগা তাহৌরে হায়রিবা মফমদুদা চৎলগা য়েংলুবদা ফদিবী লম্বীদগী মিটর ১–২ রোম কুথনা লৈবা লবুক্তা রোজিৎকী অশিবা হকচাং তারগা লৈরমখি। রোজিৎনা তারল্লিবা মফমদুদা খৎনা চৈনা তৌখিবগী চিংননিঙায় ওইবা মওংদা লৌ খরা নৈখায়খিবগী মমিসু তাই হায়রি।

রোজিৎকী অশিবা হকচাং তারল্লিবা মফমদুগী ইরাপ লাপ্তনা লম্বীগী মতাইদা মহাক্কী গারী এক্টিভা অদু খাল্লগা লৈরম্বগা লোয়ননা মনাক্তা সন্দীপ ফন্নমগা লৈরমখি হায়রি।

থৌদোক্তু মতৌ করম্না থোখিবনো হায়বদু সন্দিপ অমদি প্রেমচান্দদা হংবদা মখোয় অনিসু গ্যান তাহৌদ্রে হায়না খুন্নকখি হায়রি।

লৈখিদ্রবা রোজিৎ মচিন মনাও নুপা ৩ নুপী ২গী মনুংদা য়াইমনি। মহাক নুপী থিদ্রি। মহাক্লা ঙসি য়ুমদগী থোকখিবদা লুপা ৬০০০ রোমসু য়াওখি হায়রি।

থৌদোক থোকফমদা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী টিমশিং লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা টিম অমনা সনিদপ অমদি প্রেমচান্দবু ফারগা পুখি। অতোপ্পা টিম অমনা ফোরেন্সিক এক্সপার্ট কৌরগা থৌদোক থোকফমদু কুপ্না য়েংশিনবগী থবক চত্থখ্রে।

# মতেং পাঙখ্রে

শেলগী মতেং পাঙবা অদুদা শরুক য়াখিবা পাউমীশিংদা হোস্পিটালগী মপুনি হায়জবা মীওই অমনা হোস্পিটালগী অয়াবা য়াওদনা হোস্পীটাল কেম্পস মনুংদা ফোটো অমদি ভিদিও করিগী লৌরিবনো, প্রোফেস্নেল ইথিক্সকী ৱাংমদা করিগী থবক তৌরিবনো হায়না অকনবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা চৈ থাংখি। লোয়ননা মীওই অমত্তা হোস্পিটাল অসিদা কনাগুম্বগী মতেং পাঙবা লাকপদা থিংগনি হায়না অশাওবগা লোয়ননা ফোঙদোরকখি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী মুৎখ্রবা পার্টিশিং পুনশিনবদা করিগুম্বা নাচুংবা, চিংনবা অমত্তা লৈতে ঃ বি জে পি

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৮ ঃ ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী মুৎখ্রবা পার্টি ময়াম্না কংগ্রেসকা পুনশিল্লকপদা বি জে পিনা নাচুংবা, চিংনবা অমত্তা লৈতে হায়না বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরী এদমিনিষ্ট্রেসন কে সরতকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বি জে পিগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকপা পাউজী মীফম অমদা কে সরতকুমারনা পাউমীশিংদা হায়, এন ই আই দি পিনা ঙরাংদগী বি জে পিগা পুন্না চৎমিন্ননবা খোঙথাং অমা লৌরকপা অসিনা মণিপুরদা অহোংবা অওনবা অমা পুরকহনগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কংগ্রেস পার্টিনা হৌজিক মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টরনি হায়নরিবা এন বিরেনবু য়াম্না করেম্নবা মওংদা ঙরাংদা কংগ্রেসতা য়াওরম্লগা হৌজিক্লা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরগা কংগ্রেসপু হুন্দুনা ঙাংবা অসি লাইবক থিবনি।

কে রঞ্জিৎ অসি হান্না করম্বা পার্টিদগী ভোট কাখি, মহাকপু চাউনবা হোৎনবদা বি জে পিনা শেমগৎলগা থাগৎখিবা নুপা অদুনা ঙসি কংগ্রেসতা য়াওরগা কংগ্রেসতা লৈবনি হায়না ঙাঙদবা য়াদবগী ঙাঙবনি হায়বসি প্রজাশিংনা নোক্লিংবা ফাওই হায়খি।

কে রঞ্জিৎকুম্বা অমনা চীফ মিনিষ্টরবু করেম কথাইনদুনা ঙাংবা অসি কেন্দম তৌই। চীফ মিনিষ্টর হায়বসি লৈবাক অসিগীনি। মসিগুম্বা করেম কথাইনা অসি মতুংদা তৌবিগনু।

মহাক্লা মখা তানা হায়, নোংমৈ মাঙবগা কংগ্রেসকা মরী লৈনদে হায়না কংগ্রেসনা শেঙদোক্লবসু নোংমৈ মাঙবা মতম অদু কংগ্রেস পার্টিগী মতমনি। মখোয়গী মতমদা নোংমৈ মাঙবদা হোম মিনিষ্টরনা খঙদে, চীফ মিনিষ্টরনা খঙদে হায়বা তারবদি লৈবাক প্রজা মীয়ামদা মখোয়না তৌরিবা দ্রামা অসি করিনো।

নোংমৈ মাঙলে ২শুবা এম আরদগী কংগ্রেসকী মতমদা মাঙবা, য়ুনিফোর্ম মাঙলে অনীশুবা এম আরদগী কংগ্রেস পার্টিগী মতমদা মাঙলি। ২শুবা এম আর অসি কংগ্রেসকী নোংমৈ অমসুং য়ুনিফোর্ম পীথোকফম ওইরৱ্রা হংখি।

নোংমৈ মাঙবদা চেন্নরিবা অদুদু কংগ্রেসকী এম এল এনি, মসিদা কংগ্রেস মরী লৈনদে হায়বা তারবদি করিগী য়ামথোং হাউকিপকী মথক্তা কংগ্রেসনা এক্সন লৌদে, ও ইবোবি, গাইখাঙম অমসুং টি এন হাউকিপ করিগী মোরেল গ্রাউন্দদা রিজাইন তৌদে হায়খি।

কংগ্রেস পার্টিনা করিগী প্রজাশিংদা মীনম্বনো, কংগ্রেস পার্টিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও ইবোবি মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি। মহাক মশামক এন্তিসিপেটরি বেল অনী লৌদুনা লৈরিবনি। বি জে পিগী এম এল এশিংগী মরক্তা করম্বা এম এল এ বেল লৌরগা লৈরি।

শেঞ্জা থুমজানা হারবা, এন্তিসিপেটরি বেল লৌদুনা লৈরিবা কংগ্রেস পার্টিগী এম এল এশিংনা বি জে পিগী এম এল এশিংবু হুন্দুনা ঙাঙবদা তাবা ঙম্লোই, বি জে পিনা অচৌবা খোঙথাং লৌরক্কনি।

মণিপুরদা থোকখিবা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীওই ১৫০০ হেন্না হাৎখিবা অদুদা নোংমৈ অসি শিজিন্নরল্লোই হায়নিঙাই লৈতে। প্রজাশিং অমসুং বি জে পিগীসু শাশিন্নবা খূৎথোক্লবা অমসুং মাঙখিবা নোংমৈশিং অসি থিজিন্নবা বি জে পিনা কংগ্রেস পার্টিগী মথক্তা হৌরক্কনি। মথোং হুক্তবা ৱাফমশিং অসি মতুংদা ফোঙদোকপীরক্কনু হায়খি।

হৌজিক কংগ্রেস পার্টি য়াওনা পোলিটিকেল পার্টি খরদা পুল্লে হায়রবসু মখোয়না তৌনিংতৌনিংবা তৌবদগী এন ই আই দি পিনা থোরক্তুনা বি জে পিগা পুন্দুনা মণিপুরদা অহোংবা পুরকপদা এন ই আই দি পিনা চাউনা মতেং পাঙলগনি হায়খি।

**লমায় ১ গী মখা**

# ফাবা, হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা, রেন্সম লৌবদা মীওই...

গুজরাটকী অহমেদবাদ–২৬কী ১২ সরকার বংলো সিটিএম ক্রোস রোদতগী লৈখিদ্রবা হাথিভাই পটেলগী মচানুপানি।

মহাক ৱায়েল চত্থরক্লিবা কেস অসিগী পিদল্লীয়ু নম্বর ৫৯নি। মমাঙথক্তসু মহাক কেস অসিগা মরী লৈননা কোর্টসিদা লাক্তুনা জবান পীখ্রবনি। অদুবু কেস অসিদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই)গী মায়কৈদা লেপ্লিবা স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটর ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্ম্মা, সেনিয়র এদভোকেটনা প্রোজিক্যুসন আর্গুমেন্টকী মনুং চন্না মহাক্কী মখা তাবা জবান অমুক্লা লৌজখিগে হায়না কোর্টসিদা হায়জরকপদগী কোর্টনা সম্মোন থাদুনা কৌখিবনি।

কোর্টনা কৌবদা মহাক থেঙখাং খরদা মশা ঙমদবা অমসুং লাকপগী খুদোংচাদবা খরদগী লাক্তুনা জবান পীরবা ঙমখিদ্রবসু ঙসিদি কোর্টকী মতমদা লাক্তুনা মহাক্কী জবান পীরখিবনি। প্রোসিক্যুসনগী মায়কৈদগী মঙোন্দা ব্রেন মেপ্পিং টেষ্ট (বিএমটি), ব্রেন ফিঙ্গর প্রিন্টিং টেষ্ট (বিএফপিটি) অমসুং নার্কো এনালাইসিস টেষ্ট (এনএটি) হায়রিবা টেষ্টশিং অসি করিনো অমসুং টেষ্টশিং অসি অমগা অমগা করি খেন্নবগে হায়বা ৱাহংশিং হংখি।

ৱাহংসিগী পাউখুমদা মহাক্লা টেষ্টশিং অসিগী খেন্নবশিং কোর্টতা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ব্রেন এক্টিভেসনগী এক্সপরিয়েন্স ইফেক্টতা কেতাগোরি মঙা থোক্লা লৈ। মখোয়শিং অদুনা এক্সপরিমেন্টেল নোলেজ, ইমোসনেল (ইএম) রেসপোন্স, নেগেটিভ (এনই) রেসপোন্স, এনকোর্দিং অমসুং প্রাইমারি প্রোসেসিংনি হায়নসু পাউখুমখি।

কেতাগোরি মঙাসিগী মরমদসু মহাক্লা শন্দোক্লা তাকখিবগা লোয়ননা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী হান্না মঙোন্দা হংখিবা ৱাহং নম্বর ৭ (নন্দোদা পাঙথোকখিবা বিএফপি টেষ্টকী) মতাংদা আর্টিফেক্ট প্রজেন্ট ওই হায়খিবা ৱাফমসিগী অর্থ করিনো হায়নসু হংখি।

মসিগী পাউখুমদা ৱাহৈসিগী অর্থদি নেগেটিভ ব্রেন এক্টিভিটিগী হায় লেবেল হায়বনি অদুগা এক্সপার্টশিংনা ইনভেষ্টিগেসন অসিদা মখোয়গী মত ফোঙদোকপা ঙমদে হায়বনি হায়খি।

অদুবু ব্রেন এক্টিভেসনগী কেতাগোরি মঙা অসিগী ইগজামিনেসনদা ফঙলকখিবশিংদা বেবি ইলিজাবেঠপু ফাবদা থোকচোম নন্দা অমসুং রোমে মৈতৈ শরুক য়াই হায়বসি ইনভেষ্টিগেসন অসিগী অরুবা তাঙ্কক্কী ইলেক্ট্রিকেল এক্টিভেসনগী রিজল্টশিংদগী য়ুম্ফম ওইরগা হায়বা ঙম্মী হায়খি।

অদুগা রোমে মৈতৈনা অঙাং নুপীমচা অসিগী হকচাং হুন্দোকপা অমসুং গভর্ণমেন্ট পোলিটিক্লিকতগী রেন্সমগী অহানবা শেনফম লৌবদসু য়াওই হায়নসু ফোঙদোকপা ঙম্মী হায়বা য়াওনা মসিগা মরী লৈননা য়ুজি গ্রুপ অমনা মঙোন্দা অরানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লবা প্রেসর পীখিবা লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি এক্সপার্টসিনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লমখিবগা লোয়ননা প্রোজিক্যুসন আর্গুমেন্টকী শরুক লোয়শিনখ্রে। লোয়ননা কোর্টসিনা চত্থরক্লিবা ৱায়েলসিগী মখা তাবা শরুক্তা দিফেন্সকী মায়কৈদগী একুইজশিংগী আর্গুমেন্ট হিয়ারিং হৌনবা মতম লেপখি।

# ভারত সরকারগী লাংদা থুখিবদগী ষ্টেট সরকারনা...

ৱাফম হায়জদুনা লাকখিবনি। ষ্টেট অসিদা তোঙানবা লৈঙাক, ফুরুপ অমদা অহেনবা শক্তি পীবা, ওটোনোমি পীবা, কমন কলচরেল বোদি লৈহনবা অমদি ৬শুবা সেদ্যুলনচিংবা চৎনহনবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু য়াম্না ময়েক শেংনা খঙহনখি। অদুবু লালহৌবা লূপ অমা থেম্নবা হোৎনবদা ভারত সরকারনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱা ঙাংদুনা লাকখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম) কিরেন রিজিজুনা চৎলিবা থা অসিগী ২৩দা পীখিবা ৱারোলদা মণিপুরগী ঙমখৈ শোকহল্লোই হায়না পনখিবা অদুদি খোঙ্ততেক মীতাং পূম্নমক্না খঙ্গনদুনা লৈরবনি। লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কাংলূপকী মরক্তা অমদা অমা হায়জিন, অমদা অমুক হরাওহন তৌবগী থৌওং অসিনা ফুরুপ মশেল নুংশিন্নদনবগী মচাক ওইহল্লিবা অসি লেপকদবনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহী ২০০১ জুন ১৮দা থোকখিবা থৌদোক অদু সেন্টর অমসুং ষ্টেট সরকার অনীনা মতাং মতম চানা খঙবীবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা ৱাথোক অমুক থোরকপা তারবদি হেন্না শাথিবা ফিভম লাক্কনি হায়বসি সরকার পায়রিবশিংনা খঙগদবনি। মণিপুর কন্সি হায়রবদি পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং খক্তনা য়ারোই, মীয়াম পূন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

বোর্দর পিল্লরগী মতাংদা সুনিল করামনা হায়, পুকচেল তিংনা অচুম্বগীদমক থবক তৌবা মীদি য়াম্না তাংই। টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার তোম্বীকান্তনা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা লৈবাক্কীদমক লেপখিবা অদু য়াম্না লুম্না লৌই। বোদর পিল্লর ৮১ খক্তা নত্তনা অতৈ চয়েৎনরিবশিংসু নৌনা দিমাক্রেসন তৌনবা অমদি অশেংবা লমখৈ খঙদোক্লবা মখা তানা হোৎনখিগনি।

ষ্টেট সরকারনা ঙরাং থোকখিবা ওফিসারশিংগী ট্রেন্সফর ওর্দরগী সেরেল নম্বর ১৪দা য়াওরিবা তোম্বীকান্তবু দিপ্যুটি কম্মিস্নার টেংনৌপলদগী থাংতোক্লগা জোইন্ট সেক্রেটরী ওইনা এদল্ট এদুকেসন পুনবা খঙহনখি। তোম্বীকান্তনা দিসি ওইনা থৌ পুখিবসি শুপ্নগী থা ৩ খক্তা ঙাইরি। অদুবু মহাক্লা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মীৎ নাকোং ওইবা য়াবা পাউদি পীরমখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ভারত সরকারগী লাংদা থুরবা ষ্টেট সরকারনা মহাকপু ট্রেন্সফর তৌবনি হায়না লৌই।

চয়েৎনরিবা বোর্দর পিল্লরশিংগী চপ চাবা পাউদম থা অমগী মনুংদা পীরক্কনি হায়না সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা হায়খিবনি। অদুবু মতমদি হেন্দাকখ্রে। মরক অসিদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার থাংদোকখিবা অসি লাইনা লৌদে। দিল্লিগী লুচিংবশিংনা মফম অসিদা লাক্লগা ৱা অমা হায়বা, চৎখ্রগনা অমা হায়বগী থৌওং অসি খুদক্তা লেপ্পিরো। ষ্টেট সরকারনসু হিরম অসিদা চপ চাবা মথৌনি খন্দুনা অচুম্বা তৌজবা ওফিসারশিংগী পূক্লিং থৌগৎপীবা মথৌ তাই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সরকার অমদি বিজেপিনা মণিপুর কাইরোই হায়বগী...

কেম্পসতা লৈবা হেদ ক্বাটরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা য়ুসিএমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়, মণিপুর টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি কাইরোই হায়বা অসিদি মীপুম খূদিংনা খঙনবা ৱাফমনি। হৌজিক্তি মীয়াম্না পাল্লিবদি মণিপুরগী ঙমখৈ কাইদ্রগসু খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশিননরোইদবা পামদবা থৌদোকশিং থোরক্লবা হোৎনবা পোলিসি য়ারোই হায়বসিনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিনা ফুরুপ কয়া খুন্দান্নিরিবা লমদম অসিদা ফুরুপ অমখক্কী য়েংলগা অহেনবা পৱার পীবা, তোঙানবা লৈঙাক অমগী মখাদা থমগনি হায়বনচিংবা অসি য়ারোই হায়দুনা লাকপনি। অদুবু হন্দক পার্লিয়ামেন্টতা এমপি ডা. টি মৈন্যনা হংখিবা ৱাহং অমগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটট (হোম) কিরেন রিজিজুনা পীরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা মণিপুর ঙাক্লগনি হায়বগী মপুং ফারবগুম মণিপুর লৈঙাক অমদি বিজেপি মণিপুর প্রদেশনা লৌরি। মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি কাইরোই হায়বদি মীয়াম্না খঙই অদুনা কিরেন রিজিজুনা ষ্টেটমেন্ট অসিগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক অমদি বিজেপ মণিপুর প্রদেশ অনীনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কাইররোই হায়বগী চপ চাবা ৱারেপ অমা মীয়ামদা খঙহল্লু। মদু ওইরবদি মীয়াম্না ইরাং হৌরিবসি তোকখিগনি হায়বসি মরী লৈনবশিংনা খঙগদবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনলুরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী পুকচেল শেংদবা মতৌ অসিনা মপান লমগী মহৈরোইশিংগা মণিপুরগী মহৈরোইশিংগা খেন্নহল্লে। লমদম অসিগী মহৈরোইশিংদি মণিপুর কন্নবসু হোৎনদুনা লাক্লি অদুগা মহৈ তম্নবসু হোৎনদুনা লাক্লি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী চেয়ারমেন শম্যুল বি টাইৱানা হায়, এমসু অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী অপুনবা মহৈরোইশিংগী লূপ অমা ওইরিবা এনইএসওদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা তোঙান–তোঙানবা ইশু কয়া অমা লৈরি। ইশুশিং অদুগী মরক্তা অপুনবগী ওইবা ইশুশিং য়াওরি।

য়েলহৌমীশিং অসি মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীয়ামগা য়েংনরুরবদি য়াম্না পীকপা কাংলূপ অমগুম্বনি। মখোয়বু কঞ্জনবা মীতোপশিংদগী ঙাকথোকপা অমদি মশক কঙদোকপা চঙই। অফস্পাগী চৈথেংগী মায়োক্তা এনইএসওনা মতম পূম্নমক্তা লেপ্তুনা লাক্লি অমদি অফস্পা অসি লৌথোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি।

মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ইশুশিং অসি থেংনবদা এনইএসওনা মপুং ফানা শরুক য়াগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।